# সনালৈবাক স্পোর্টস





*কলমবিয়া অমদি আইভোরি কোষ্ট অনিনা শান্নগদবা মেটচ ঙাইরিবা কলমবিয়াগী ফেন অমা*

*নেদরলেন্দগী ফেন অমনা মখোয়গী টিমনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চংবদা হরাওবা ফোংদোকপা*

## ফিফানা শিনবা ২০শুবা ৱার্ল্ড কপ

# লুইজ স্বারেজগী গোল ২না ইংলেন্দ নিংবা কায়না ৱার্ল্ড কপ্তগী মপান থোকখ্রে

*সাও পাওলো, জুন ২০ঃ*
ঙসি অয়ুক অঙন্বদা শান্নখিবা উরুগ্বে অমদি ইংলেন্দগী মেটচতা লিভরপুলগী ষ্ট্রাইকরসু ওইরিবা উরুগ্বেগী লুইজ স্বারেজগী গোল ২না ইংলেন্দ মায়থিবা পীদুনা ৱার্ল্ড কপ অসিদগী স্পেনগী মতুং ইন্নদুনা মপান থোকখ্রে ।

গ্রুপ দিগী উরুগ্বে অমদি ইংলেন্দ শান্নখিবা মরুওইবা মেটচ অদুগী ৩৯শুবা মিনিটতা হেদিং অমা তৌশিন্দুনা ইংলেন্দগী গোল কিপর মায়থিবা পীদুনা অহানবা গোল চনখিবনি ।

লুইজ স্বারেজনা গোল অমা চনখিবদগী ইংলেন্দগী মাইকৈদগী গোল ইক্যুইলাইজ তৌনবা অকনবা প্রেসসর কয়া তৌদুনা হোৎনরবসু উরুগ্বেগী দিফেন্দরশিংনা নিংথিনা ঙাকশেন্দুনা লৈখিবদগী গোল চনবদা অৱাবা ওইখি ।

অহানবা হাল্ফ ফাওবদা ইংলেন্দগী মাইকৈদগী গোল হন্দোকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি । অয়াম্বা মতমদা ইংলেন্দনা বোল পায়দুনা শান্নবগী মহৈ ওইনা ইংলেন্দগী ৱেন রুনিনা মেটচকী ৭৫শুবা মিনিটতা গোল ইক্যুইলাইজ তৌবদগী ইংলেন্দগী ফেনশিং ৱারম্বা খরা কোকখি । রুনিগী গোল অসি ৱার্ল্ড কপতা অহানবা ওইনা চনখিবা গোলনি ।

অদুবু মেটচ লোইশিল্লকদৌবা মিনিট মঙা রোমতমক ঙাইরবা মতমদা উরুগ্বেগী অহানবা গোল চনখিবা লুইজ স্বারেজনা মেটচকী মিনিট ৮৫দা অনিশুবা গোল চনশিন্দুনা ইংলেন্দবু ৱার্ল্ড কপ অসিদগী মপান থোকহনখি ।

উরুগ্বেগী মাইপাকপা গোল অদু ইংলেন্দগী হাল্ফ ৱে লাইনদা অশোইবা অমদগী লুইজ সোরেজনা চনখিবনি ।

ইংলেন্দগী ফুটবোলগী ইতিহাসতা ৱার্ল্ড কপতা অহানবা রাউন্দদা মপান থোকখিবা অসি ৬ সুবা ইদিসন ওইনা ইং ১৯৫৮তা স্যুইদেন্দদা পাংথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদগী হন্দক্কী অসিগা অনিরকশুবনি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনিমক্কী গোল চনবা য়াবগী খুদোং চাবা কয়া ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্মখিদে ।

উরুগ্বে ৱার্ল্ড কপ অসিদা অনিরক চেম্পিয়ন ওইখিবগা লোয়নননা ইং ১৯৬৬তা ইংলেন্দদা পাংথোকখিবা ৯শুবা ইদিসনদা অমুরক চেম্পিয়ন ওইবা নত্তনা মখা তানা ফাইনেল য়ৌবা ঙমদ্রিবনি ।

ইংলেন্দ ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা মানাওদা ইটালিগা শান্নখিবদা ইংলেন্দ গোল ২–১দা মায়থিবা নংখিবগা লোয়নননা ঙরাংগী মেটচতা অনিরকশুবা ওইনা মায়থিখিবা অসিনা ৱার্ল্ড কপ অসিদগী মপান থোকখিবনি ।

বৃটেনগী প্রেসনা ইংলেন্দগী টিম অসি মালেমগী ফুটবোল টিমশিংগা শান্নবদা মতিক চাদ্রবা টিম অমনি হায়না ফোংদোক্লখি ।

কারবসু কান্নদ্রবা ইংলেন্দ মথংগী মেটচ থা অসিগী তাং ২৪দা কোষ্টারিকাগা বেলো হোরাইজেন্টদা শান্নরগনি ।

ৱার্ল্ড কপ অসিদগী মপান থোকখ্রবসু ইজ্জৎকী ৱাফমদা কোষ্টারিকাবু মায়থিবা পীনবা শান্নরক্কনি হায়বগী থাজবা ফুটবোলবু নৈনরিবশিংগী মাইকৈদগী মোত কয়া ফোংদোক্লরি।

অমরোমদা গ্রুপ সিগী মেটচ ওইনা কলমবিয়া অমসুং আইভোরি কোষ্ট অনিনা ব্রাজিলিয়াদা শান্নখিবা মেটচ অদুদসু কলমবিয়ানা আইভোরি কোষ্টপু গোল ২–১দা মায়থিবা পীদুনা কলমবিয়া মথং রাউন্দদা চংবা টিম অমা ওইখ্রে ।

কলমবিয়াগী মায়পাকপগী গোল ২ অদু জেমস অমদি সবষ্টিট্যুট ওইনা চংলকখিবা জুয়ান কুইন্তেরোনা চনখি ।

কলমবিয়াগী অহানবা গোল অদু সেকেন্দ হাল্ফকী ৬৪শুবা মিনিটতা জেমসনা চনবগা লোয়নননা মায়পাকপগী অনিশুবা গোল অদুনা সবষ্টিট্যুট ওইনা চংলকখিবা জুয়ান কুইন্তেরোনা মেটচকী ৭০ শুবা মিনিটতা চনখিবনি । আইভোরি কোষ্টকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কলমবিয়াগী অনিশুবা গোল চনখিবা অদুগী মিনিট ৪ লৈরগা মেটচকীনা ৭৩ শুবা মিনিটতা গেরবিনহোনা চনখিবনি ।

মখা তানা ইক্যুইলাইজ তৌনবা আইভোরি কোষ্টকী মাইকৈদগী মখোয়গী ষ্টার প্লেয়ার দ্রোগবানা মেটচকী মিনিট ৬০দা সবষ্টিট্যুট ওইনা চংলক্তুনা অকনবা প্রেসসর পিদুনা হোৎনরবসু মখা তানা গোল চনবা ঙমখিদে । আইভোরিয়ান মমাংদা জাপানগা থেংনখিবা মেটচতা জাপানবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীখিবনি ।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা জাপান অমদি গ্রিস গোল চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে । দ্রো ওইখিবা অসিনা মরম ওইদুনা কলমবিয়া অপনবা লৈতনা রাউন্দ ওফ ১৬দা চংখিবনি । গ্রিস অমদি জাপান মথংগী রাউন্দ চংননবা মখা তাবা মেটচশিংদা শৈদাংগদৌরি ।

গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবা মেটচ অদুদা গ্রিসকী কেপ্টেন কোষ্টাস কতসৌরনিজ মেটচকী মিনিট ৩৮দা মহাক্কী অনিশুবা য়েল্লো কার্দ পীদুনা তাম্থোকখিবদগী গ্রিসকী প্লিয়ার ১০ দা হন্থদুনা শান্নখি ।

কেপ্টেন কোষ্টাস তাম্থোকখিবদগী গ্রিসকী মেটচ মাইকৈ অমরোমদা পুরক্তুনা দিফেন্সনা হেন্না শান্নদুনা জাপানগী এটেক্ট কয়া মাইপাকহনবদা অপনবা পীখি ।











| Leaque Match Result |
| --- |
| *14th June, '14* |
| Spain-1 vs Netherland-5 |
| Chile-3 vs Australia-1 |
| Colom-3 vs Greece-0 |
| *15th June, '14* |
| Ivory-2 vs Japan-1 |
| Uruguay-1 vs Costa-3 |
| England-1 vs Italy-2 |
| Switzer-2 vs Ecuador-1 |
| *16th June, '14* |
| France-3 vs Hondures-0 |
| Argentia-2 vs Bosinia-1 |
| Germany-4 vs Portu-0 |
| *17th June, '14* |
| Iran-0 vs Nigeria-0 |
| Ghana-1vs USA-2 |
| Belgium-2 vs Algeria-1 |
| 18th June, '14 |
| Brazil-0 vs Mexico-0 |
| Russia-1 vs S. Korea-1 |
| Chile-2 vs spain-0 |
| Colombia-2 vs Ivory-1 |
| Uruguay-2 vs England-1 |
| Japan-0 vs Greece-0 |

| Next Matches |
| --- |
| **Argentina vs Iran** |
| *21th June, 2014* |
| (09:30 p.m., Belohorizen) |
| *22th June, 2014* |
| **Germany vs Ghana** |
| (00:30 a.m, Fortaleza) |
| **Nigeria vs Bosnia** |
| (03:30 a.m., Culaba) |

# বেদমিন্টনগী অনৌবা স্কোরিং সিষ্টেম অমা আগষ্ট থাদা তেষ্ট তৌগদৌরি

*কৌলা লম্পুর, জুন ২০ঃ*
বেদমিন্টনগী ৱার্ল্ড গভর্নিং বোদি অমা ওইরিবা বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ) গী মাইকৈদগী মশান্না অসিগী অনৌবা সিষ্টেম অমা ওইনা হৌজিক হৌজিক গেম অহুম খক্তং শান্নরিবা অসি গেম মঙাদা ওনখৎনবা আগাষ্ট থাদগী চাংয়েং তৌগদৌরি ।




অনৌবা স্কোরিং সিষ্টেম অসিনা বেদমিন্টনগী ফেনশিংনা হেন্না নুংঙাইবা মেটচ অমা শোইদনা উবা ফংগনি হায়বগী থাজবা বি দব্লিয়ু এফনা থল্লক্লি । গেম অহুমদগী মঙাদা হেনগৎপা অসিগী মথক্তা গেম অমদা পোইন্ট ২১ শান্নরম্বা অদু পোইন্ট ১১দা হন্থনবসু আগষ্ট থাদা অনৌবা স্কোরিং সিষ্টেম তেষ্ট তৌবা অসিদা য়াওগদৌরি ।

অনৌবা স্কোরিং সিষ্টেম অসি বি দব্লিয়ু এফকী মে ৩০ দা পাংথোকখিবা কাউন্সিলগী মীফম অমনা য়েৎনবা লৈতনা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না বি দব্লিয়ু এফকী চেরোল অমনা হায়রি । হৌজিক হৌজিক শান্নরিবা বেষ্ট ওফ থ্রি ফোর্মেট অসি ইং ২০০৬তা ইন্দ্রদ্যুস তৌখিবনি ।

বি দব্লিয়ু এফকী প্রেসিদেন্ট পাওল ইরিক হোয়রনা ফোংদোকখিবদা অনৌবা মখলগী সিষ্টেম অসি আগষ্ট অমদি নবেম্বর থাগী মনুংদা পাংথোক্কদৌরিবা তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা চৎননবা হোৎনরি ।

ফেদরেসন্না হোৎনরিবা অসিগী মাইয়োক্তা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওলেম্পিক অনিরক অমদি ওল ইংলেন্দ টাইটল মঙারক লৌখ্রবা চাইনিজ প্লেয়ার লিন দাননা অনৌবা সিষ্টেম অসিনা শান্নরোইশিং অমদি ভাবোকশিংদা চয়েৎনবা শোইদনা থোক্কনি হায়বগী ৱাফম থম্বগা লোয়নননা অনৌবা সিষ্টেম অসিনা গেম অসিগী মগুন হেন্না হাপ্পা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈরোই অমদি অতৈ প্লেয়ারশিংগী মাইকৈদগীসু মহাক্না ফোংদোক্লিবা ৱাফম অসি শোইদনা ফোংদোক্লুরক্কনি হায়বগী ৱাফম মে থাদা নিউ দেল্লিদা পাংথোকখিবা থোমাস অমসুং উবর কপকী নাকলদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোংদোকখিবনি ।

বি দব্লিয়ু এফকী মাইকৈদগীদি অনৌবা স্কোরিং সিষ্টেম অসিনা ভাবোক অমদি শান্নরোইশিংগী মরক্তা হেন্না নুংঙাইবা অমা ওইহনগনি হায়বা ৱাফম থল্লক্লি ।

রিওদা ইং ২০১৬ তা পাংথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসকী মাংওইননা ইং ২০১৫গী মে থাদা পাংথোক্কদবা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন পেরেদতগী চৎনবা য়াৱা হায়বদু য়েংশিনগনি ।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী বেদমিন্টনদা নম্বর ১ ওইরিবী সাইনা নেহাৱাল মালেমগী রেঙ্কিংদা ৯ শুবদা লৈবগা লোয়নননা অতোপ্পা ইন্দিয়ান প্লেয়ার পি ভি সিন্ধুনা ১০শুবা স্পোটতা লৈরি ।



ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট সাইনা নেহাৱালনা জাপান ওপন সুপর সেরিজদা শরুক য়াখিদবা অদুনা ৯শুবা স্পোটতা হন্থরকখিবনি। মালেমগী নম্বর ১না চাইনাগী ওলেম্পিক চেম্পিয়ন লি জুইরুইনি হায়না বি দব্লিয়ু এফনা থাদোরকপা খ্বাইদগী নৌবা নুপীগী সিঙ্গল রেঙ্কিং অমদা পল্লি ।

চৈরক অসিদা ৱার্ল্ড নম্বর ২০দা লৈরম্বা ইন্দিয়াগী নুপাগী প্লেয়ার পারুপালি কাসিয়াপনা রেঙ্কিংদা অনি হাইগৎলক্তুনা ১৮শুবা পোজিসন্দা লৈখ্রে । অদুবু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা প্লেয়ার কিদমবি শ্রীকান্তনা রেঙ্কিংদা ৬ হন্থখিদুনা ৱার্ল্ড রেঙ্কিং ২৯দা লৈখ্রে । মশান্না অসিগী মিক্স দবল রেঙ্কিংদা ২৫সুবা রেঙ্কিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী প্লেয়ার অমত্তা য়াওবা ঙমদ্রে ।

# মুহমদ অস্রাফুল চহি ৮গী অথিংবা থমখ্রে

*ধাকা, জুন ২০ঃ*
বঙ্গলাদেশকী প্রজা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা ক্রিকেটর অমা ওইরিবা বঙ্গলাদেশকী বেটসমেন মুহামদ অস্রাফুল মেটচ ফিক্সিং তৌরম্বগীদমক বঙ্গলাদেশ ক্রিকেট বোর্দনা চহি ৮ অথিংবা থমখ্রে ।

ইং ২০১৩গী বঙ্গলাদেশ প্রেমিয়র লিগতা ধাকা গ্লেদিয়েটরগী শান্নখিবা মুহামদ অস্রাফুল মেটচ ফিক্সিং তৌরম্বগীদমক চহি ৮ অথিংবা থমখিবনি ।

হান্না বঙ্গলাদেশকী কেপ্টেন অমসু ওইরম্বা মুহামদ অস্রাফুল বঙ্গলাদেশকীদমক্তা টেষ্ট ৬১ ও দি আই ১৭৭ শান্নরম্বগা লোয়নননা টেষ্ট মেটচতা সেঞ্চুরি ৬ লৌরমখি।

মহাক্কী সেঞ্চুরি ৬ অসিদা রন ১৯০ লৌখিবা মেটচ অদুনা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা মেটচ ওইখি।

মহাকপু বেন তৌখিবা অসি দিসিপ্লিনরি ত্রিবুনেলনা মেটচ ফিক্সিংগী মরাল লৈরে হায়দুনা বঙ্গলাদেশ ক্রিকেট বোর্দতা শিন্নখিবনি । মেটচ ফিক্সিং তৌখি হায়বসি মুহামদ অস্রাফুল মশানসু য়াজবগা লোয়নননা মহাক্কী ফেনশিংদা লানখ্রে হায়না শেংদোরক্লি । চৈরক অসিদা বঙ্গলাদেশ দিসিপ্লিনরি ত্রিবুনেলনা ধাকা গ্লেদিয়েটরগী মপু ওইরিবা সিহাব জিসান চৌধুরিসু মেটচ ফিক্সিংগী মরালদা চহি ১০ অথিংবা থমখ্রে । টিমগী মপু অমবু ওফিসেল ওইনা অথিংবা থম্বা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি হায়রি ।

ইন্দিয়া অমদি বঙ্গলাদেশ অনিনা বঙ্গলাদেশতা শান্নখিবা মেটচ ৩গী ও দি আই সেরিজতা ইন্দিয়ানা বঙ্গলাদেশপু ২–০দা মায়থিবা পিখ্রে ।

সেরিজ অসিগী অহুমশুবা মেটচ অদুদি নোংনা মরম ওইদুনা শান্নবা লেপখিবনি । শান্নবা লেপখিবা মতম অদু ফাওবদা ইন্দিয়াগী রন ১১৯দা ৱিকেট ৯ তুদুনা অরুবা ফিভমদা লৈরমখিবনি ।





ইন্দিয়াগী ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১১৯ অদু ওভর ৩৪.২ দা লৌখিবনি । ইন্দিয়ানা হান্না বেটিং তৌখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী ওইনা পুজারানা রন ২৭ লৌদুনা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ওইখি । স্তুৱাট বিনিনা নোট আউটতা রন ২৫ লৌখিবগা লোয়নননা সুরেস রাইনাসু রন ২৫ লৌরকপা মতমদা আউট ওইখিবনি ।

নোং চিংগী ফিভম ফৎত্রবসু ইন্দিয়ানা টোষ্ট ঙমদুনা বেটিং তৌনবা খনখি । নোং চিংগী ফিভম অদুনা মরম ওইদুনা বঙ্গলাদেশকী বোলর মরুওইনা সিমরশিংদা হেন্না মতেং পাংদুনা ৱিকেট ৯তুরগা রন ১১৯ লৌখিবনি ।

তৌইগুম্বসুং বঙ্গলাদেশকী বোলরশিংগী মরক্তা লেফ আর্ম স্পিনর সতিফ অল হাসননা মহাক্কী স্পেলদা রন ২৭ পীরগা ৱিকেট ৩ লৌদুনা বঙ্গলাদেশকী খ্বাইদগী মায়পাকপা বোল্লর অমা ওইখি ।

বঙ্গলাদেশকী পেসমেন তাস্কিন অহমদ অমসুং অল অমিন হোসেননা মখোয়গী সাইদকীদমক ৱিকেট ২–২ লৌবগা লোয়নননা মোর্টাজা অমসুং সোহাব গাজিনা ৱিকেট অমমম লৌখি । ও দি আই সেরিজ ৩ শান্নগদবদা অরোইবা মেটচ নোংনা মরম ওইদুনা তোকখ্রবসু মমাংগী মেটচ অনিদা ইন্দিয়ানা বঙ্গলাদেশপু মায়থিবা পীদুনা সেরিজ অসি ২–০দা লৌখিবনি ।